# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৩৭

ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম

ঐখোয়গী লৈবাক ঐখোয়গী চৎনবী নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লকপা অফবা খোঙথাং নত্তে। মসিমক্লা লমদমসিদা পাৱর পান্বা, আইনগী মমায় মশীং খঙদনা লোংহনবা হায়বসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। অদুম ওইনমক পাৱর হায়বসি শেঞ্জাও পায়বশিংনা খূৎমাং য়াঙনা, মচিন থৌনা চত্থরকই হায়বসি ফোংনা চোঙথোরক্লি। মসি হায়নরুবা, তাক্লরুবা নাইদনা মরোমদোম চোঙথোরকপনি। মসি ফাওবা লৈবাক মীয়াম্না ফোংনা খঙনরবা, অচুম্বগী মফম নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লত্তুনা মীবু মীনা ওৎপা, মীবু মীনা অচুম অরান য়েংদনা ফমগী, পাৱরগী মফম চাউনা কননিশন্দুনা মীয়াম্বু ৱাহনবা হায়বসি মশক থোকপা পামখৎনরকই। মসি খঙনা-খঙনা, উনা-উনা পাৱরবু লান্না শীজিন্নবা, পাৱরগী মপাঙ্গল নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই হায়বসি মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরবনি। আইনবু খূৎতা পায়দুনা শীজিন্নরকপা হায়বসি অচুম্বগী মফম পাৱরনা মহুৎ শিনজিল্লকপা অফবা, অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। দেমোক্রেসি চৎপা ঐখোয়গী লমদমসিদা অচুম্বগী মফম মাঙহল্লকপা লেপ্তুনা হেনগৎলকই। হীরম অসোমদা খুদম-চাংদমগী ৱাফম তোপ্পা থল্লগা অচুম্বা মীৎয়েং, অশানবা ৱাখল থবক ওইনা ওন্থোকপা মতম ওইরে। মসিগীদমক কোর্টতা ৱায়েল চত্থদুনা মতম শাংনা থম্বগী ৱাহন্থোক্লা করিগীনো। ঙসি ফাওবা মণিপুরদা ফকাপকী কেস মশীং খঙদনা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা সী বি আইনচিংবগী কেসশিং নমশিন্দুনা থম্লবসিগী ৱাহন্থোক করিনো? নুংথিল পোবোবতা মীওই চা কয়াগী মমাঙদা পাৱর পায়বশিংনা হাৎখিবা ‘রবিনা-সঞ্জিৎ’ অনীগী ৱায়েলবু শাংলবা মতম য়ৈথোক-য়ৈথোক্তুনা থম্বসিনা ময়েক শেংলবা খুদম অমনি। মসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া লৈতবা নত্তে। হৌজিক্কী মতমদা শেঞ্জা-থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী ৱাফমনা আইনবু থমায়শিন্দুনা মশীং খঙহন্দবা কেস কয়া লৈরে। মরম অদুনা লৈকায় খুদিংগী, লৈরক খুদিংগী এসোসিএসন, ক্লব, মৈরা পায়বী নিশাবন্দ লূপ কয়া থোরকহল্লিবসি মতম মতমগী লৈঙাক পায়বশিংনা থোরকহনবনি। মসিগী মথক্তা মহৈরোয় লূপ কয়া লীংখৎনরকপা হায়বসি য়াম্না চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়াবা মতাং ওইদ্রে। মসি পূম্নমক মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা শন্দোক্লবা শিল্লবনি।

ঙসিমক চত্থরক্লিবা লৈঙাকলোন অসি মখোঙদগী মতোন ফাওবা নৌনা শেমদোকহৌদ্রবদি লৈবাক অসি মরূ ফংনা মাঙথরক্লগনি। ঙসিগী লৈঙাক অসিগী মখাদা করম্বা মফমদা ঐখোয় আইনবু চুম্না চৎনরিবগে? চহী খরগী মতুংদদি শঙ্গ-পঙ্গ শাগৈ চাউবশিংনা খুদুম চনশিনবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। ঐখোয়গী লমদমসিদা অচুম্বসিবু লৈরিবরা হায়বা ৱাহং অমা মরোমদোম চোঙথোরকপসি লৈঙাকসিনা পুরকপা ফলনি। ঙসি ফাওবা লৈঙাক পুরম্বা/পুরক্লিবশিংনা ঐখোয় মীচম মীয়ামগীদমক করিসু য়াইফনবা থবক অমত্তা পায়খৎখিদ্রি। মতম মতমগী এম এল এ মন্ত্রি ফমজাও পায়রম্বশিংনা মশা মশাগীদমক চহী ৫দং এম এল এ, মন্ত্রি ফম্বু পায়রল্লবা শেঞ্জাও পায়বা হেক্তা ওইরকই। মরম অদুনা ঙসিদি এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি ওইবা পাম্নরক্লিবা অসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা লৌনরক্লিবসিনি। ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা অচুম্বা-অশেংবা অমত্তা তৌরক্তবসিদা নম্বর ফোর লল্লোনবা, শেঞ্জাও পায়বা, থিকা চাউনা চাউনা তৌবশিংনা ভোট লেপ্ন রকপসিনা লেঙদ্রবা চুম্লবা খুদম অমনি। ইংলিস, হিন্দি, ইমালোল ফাওবা চুম্না, মওং তানা ঙাঙবা-শকপা ঙমদবা কয়ানা এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি ওইরকপসি ঐখোয় খুদিংমক্কী লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা চৎন-কাঙলোন চৎনরক্তবসিনা অচুম্বগী মফম মাঙশিল্লকপা মশানা তাবনি।

মরম অদুনা অতৈ অতৈ করবার তৌবদগী মী লল্লোনবা য়াওশিল্লকপা হায়বসি ককপা য়াদনা চুম্লরক্লে। এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি মতিক চাদবদগী ইন্দিয়াগী মমায় মশীং খঙদবা দেমোক্রেসিনা মীয়াম্বু শা-ঙাগুম খন্নরক্তুনা ভোটকী মতমদা লুপা ২দগী লিশীং ৫ ফাওবদা লৈবা ঙম্নরকপসিনা দশা অমা ওইনরে। মণিপুরদা অঙাংদগী হৌরগা অহল-লমন, ওফিসর ফাওবা কয়ানা মীয়ামগী মমল খঙলক্তবসি দেমোক্রেসি চৎপা লমদমসিদা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা ওইনরক্লে। হৌজিক্কী লৈঙাকসিদা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী থাক অতিয়া পক্লা ৱাঙখৎলক্লিবসি মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। মরম অদুনা লায়রবা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক কখোকচবা ঙম্বা মীশক কয়া ভোট লেপ্পা ঙম্লক্তবসি অচৌবা অৱাবা অমনি। অচুম্বা তৌনি, অফবা লৈঙাক পুরক্কনি হায়দুনা লাউরম্বশিংনা কদাই ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্লবগে। মসি ঙম্নমক মীয়াম্না ফোংনা খঙনরবা ঙাক্লি। মসিগী মতাংদা ঙসি ঙসিমক পোল্লিং ষ্টেসন ১২দা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা রিপোল তৌরিবসিনা ময়েক শেংলবা খুদমনি হায়বসি লৈবাক পুংজাও থিন্না খঙনরবনি। মসি পাৱর পায়বশিংনা ঐখোয়গী আইনবু শিংনবনি। মসিগী মথক্তা ঙসিমক সী এম ওইরিবগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা রিপোল তৌবা হায়বসি মীৎয়েং অমরোমদা চাউনা ইকায়নীংঙাইনি। মরম অদুনা মাগী মাগী এ সীগী মীওইশিংবু শেল অমদি শঙ্গনা য়াদে হায়বা খঙনরকপনা ভোট অমুক হন্না থাদহনবসিগী পাৱর এ সী - এ সীদুগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা ভোট থাদবগী থবক তৌনরক্তবগী চেনবা য়াদবা খুদমনি। মসিগী চৎনবী অসি হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা নত্তনা মমাঙথক্কী ভোট কয়াদসু চৎনবী ওইনা মতম শাংনা চত্থরকপগী হৈনবীদুনি। অদুবু লাইবক থীবদি হন্দক্কী ভোট অসিদা পাৱর কা হেন্না শীজিন্নবসি অতাক-অফোঙনরকপা হায়বসি পূম্নমক্কী নত্তনা এ সী-এ সীদুগী মীয়াম মরক্তা লৈঙাক অসিগী অশোয়বা-অশোনবদু মশানা তাক্লরে। মসি ফাওবা উৎনা ৱাইনা খুমজিনবা ঙমদবসি অচুম্বগী মফম লৈত্রে হায়বসি চেনবা য়াদনা চুম্লবনি। মসিগী মখা তাবদা সী এমগী এ সী অসিদা নত্তনা পাৱর কা হেন্না শীজিন্নবা এ সী খরদা শোয়দনা য়াওরগনি হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং, মীয়ামদা ৱাহল্লিবশিং খুদিংমক খঙনা খঙনা, উনা-উনা নুংশা মঙালদা উন্না তুম্বগুম তুমহল্লি হায়বসি খঙনরবা ৱাফমনি। ইন্দিয়া লৈঙাক অসিদা চত্থরকপা খুদিংমক মীয়ামগী য়াইফনবা মালহল্লগা মসিগী মরুমদা খুদোংচাবা কা হেন্না লৌরিবসি পাৱর পায়বশিংননি হায়বসি পূম্নমক্লা ইখঙ খঙনা দেমোক্রেসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মী হাৎপা, লৈবাক্কী মাঙননবা থবক য়াম্না তৌবশিং অমদি মশাগী মতিক চাবা লাইরিক-লাইশুগী থাক নেম্বশিংনা ভোট লেপ্নবগী খুদোংচাবা থম্বদগী অৱাবসি নোংমা নোংমগী হেন্না হেন্না তাশিল্লকপনি। ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসনগী চৎন-লোনচৎ খঙদবা মশা-মশাগী এ সীগী ৱাফম্বু পুখৎতুনা পাওদম্বা ঙমদবা, চহী ৫/৫গী মীহুৎ ওইরগা নোংমতা এসেমব্লিদা ৱাফম অমা ফাওবা পুখৎতুনা ৱা ঙাঙখিদবা এম এল এ কয়া য়াওরকপসিনা অৱাবা অসি তাবনি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী এম পিশিংগী মমাঙদা ঙাঙবা ঙমদবা কয়াবু ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা থারুবগী অৱাবা লৈতবা নত্তে।

ঐখোয়গী লৈবাকসি কদায় য়ৌনা শোত্থরিবগে হায়বসি লাইরিক লাইশু খঙ হৈরবা কয়ানা ময়েক শেংনা খঙনা খঙনা ভোট লাকপা মতমদা মনি পাৱর, মসল পাৱরনা পংথহন্নবা হোৎনরকপা কয়াবু মায়োক্লবা ঙমদবসি অচৌবা অৱাবগী মশক অমনি।

মমাঙথক্কী পুৱারীদা পোলিটিক্সকী য়াওল মশক মুন্না খঙনরবা ঙাক্তনি। ঙসিগী ওল্লক্লিবা য়াওল অসি খঙনা খঙনা পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিক্সপু পামজবশিং খুদিংমক মশা মশাগী পার্টি মশা মশানা ওইজনাম, লৌজনামগীদমক পার্টি হায়বা পূম্নমক থাদোক্লদুনা ওইজনাম খরগীদমক শীংনদুনা চত্থরকপনা ফীভম অসি নোংমা নোংমগী শোকচিল্লকপনি। মতাংসিদা হেন্না পঞ্জনীংলিবদি ইন্দিয়াগী ওইনা কোংগ্রেস অমদি বি জে পি অসি শেঞ্জাও পায়বা পার্টি ঙাক্তনি। য়াম্না শম্না তেন্তক্লা পঞ্জরবদা মমাঙগী টর্ম অনীদা শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা অনীরক য়াম্না নক্লা সেকেন্দ তাখিবা ডা. নরদা কোংগ্রেসনা শৌগৎপীরবদি কোংগ্রেসনা বি জে পিবু লায়না নমথবা ঙমগনি অদুবু সেন্টরদা কোংগ্রেসকা বি জে পিগা য়ানদে, মণিপুরদা কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদা সী পি আই, কোংগ্রেস পূন্না পূন্না চৎমিন্নবনি। অদুবু হন্দক্কী এম পি ভোট অসিদা কোংগ্রেসনা ডা. নরদা শৌগৎপীরবদি বি জে পিবু মায়থীবা পীবা য়াম্না লায়না ঙম্লমগদবনি। অদুবু ওইজনাম, লৌজনামনা ঐগী ঐগী পার্টি হায়দুনা কখোক্লবগী ৱাখল য়াওদবদগী করি ওইরক্কনি হায়বসি মতম খরদি খাঙমিন্নবা মথৌ তারি। মসিমক হুরানবা মতুং মৈরিংবনি। পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক লাউবা অমদি ঙাঙবদি ফজ-ফজনা ঙাঙথোকই, থবক ওইনা পাঙথোক্লবগী মহুত্তা লৌশিনবনা ফৈ হায়বসি অচৌবা পুকচেল পিকপগী ৱাফম অমনি। মসিগী মথক্তা হন্দক্তা সিটিজনশিপ বিলগী মতাংদা বি জে পিনা লৌরিবা খোঙথাং অসিসু হন্দোকপা লৈতে। অদুবু মীয়ামগী খোল্লাউ, মীয়ামগী ঈহৌনা বিল পাস তৌবদি লায়রদনা পুথোকপা ঙমখিদবসিগী ৱাহন্থোক লৈতবা নত্তে। অদুবু শঙ্গ-পঙ্গ অমদি পাৱরনা বি জে পিনা ভোটকী মতমদা ফোংনা থবক ওইনা চত্থরকপা, অঙকপা ১০০গী মনুংদা অঙকপা ৯৮নি। মথংগী চহী খরগী তুংদা লাইবক ফদুনা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রল্লবদি বিল শোয়দনা পাস তৌরক্কনি। মতমদু য়ৌবা তাঞ্জাদা মীয়াম ৱাখল খন্থহৌদবগী ঈরাং শাগৎনরকপা য়েংখিবা তাবনি।

সেন্টর অমদি ষ্টেটকী বি জে পি লৈঙাক্কী শক্তম খঙনা খঙনা ভোট কাবা-কাদবা তোপ্পা থল্লগা মীয়াম্না ভোটতা উৎখিবগী চৈথেং য়েংমিন্নবা তাবনি। মরম অদুনা সী এমগী এ সীদা অমুক ভোট হল্লিবসি বিল অসিবু শৌগৎপগীরা নৎত্রগা বিল অসিগী মায়োক্তরা হায়বসি চাউরবা ৱাহং অমনি। মণিপুর মীয়াম তূমদনা মঙ মঙনরে হায়বসি করম্বা মন্ত্র, করম্বা পাৱর, করম্বা লাইৱাননো? শেল খরগী লাংদা ইশাগী ইরলবু মীঙোন্দা পীথোকপা নত্তনা করিসু লৈতে। অদুবু হন্দক্কী এম পিগী ভোট অসিদগী মীয়াম পূম্নমক্কী মগুন সেন্টরনা, ষ্টেটনা পাড়া খরদি তমহৌরসি।

মরম অদুনা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিসু মীয়াম পূম্নমক্কী মতেং য়াওদনা মতম শাংনা হিংবা ঙমলোই হায়বদি মসি লাইগী থৌজাল নত্তে। মীয়ামগী য়াকা য়েংদনা অসুম শেঞ্জা থুমজা, পাৱরনা কদাই ফাওবা ঙম্বগে হায়বা পাড়া অমদি শোয়দনা খঙনরগনি। মতম শাংনা মনম লৈবাক তারক্তবা নোংবান লায়রবা মচা খম্বগী মখূৎতা করি ওইখিবা হায়বসু পাড়া অমনি। হন্দক্কী এম পি ভোট মতুংদা লাক্কদবা পোলিটিক্সকী খোঙফমদা অচুম্বা অশেংবগী লান্থেং খরদি মীৎমাংদা শোয়দনা উরগনি। অদুবু মতমগী য়াওলদা ওল্লক্লিবা মীয়ামগী মায়ওন য়েংদনা পাৱরনা কদাই ফাওবা ঙম্বগে হায়বা থবক্লা উৎচরগনি। লায়রবা মীওই খরদি বল্লিগী হামেং ওইনরগনি। লমদমসিদা অচুম্বসিবু লৈরিবরা? অচুম্বগীদমক কনা কনা মালেমসিদা থৌনা ফনা চোংথোক্লরিবগে? পূম্নমক উৎ ওনবা তারবরনে। অচুম্বা পান্বা, শিবা কিদবা মীগী মশীং কয়াবু লমদমসিদা লৈরিবগে? ঐখোয়গী মীয়াম, ঐখোয়গী পোলিটিকেল পার্টি কনানা অচুম্বা, কনানা অরানবা চৎনরিবগে হায়বসি ঙম্নমক খঙনা খঙনা, উনা উনা মীয়াম বলিগী হামেং ওইনা পুন্সি লেনবা তারিবরা?

মমি ৱারী

## ‘য়েনীংথা’

## থৱান



*অনৌবা খোঙনাং পান্বীগী মনাশিংদা কনাগী শঙুম ঊরি*

*শীংজং পায়বা অমাংবা চাবা মীশিং*
*য়াম্থৎলো ককথৎলো*
*য়াম্থৎলো ককথৎলো*
*নেৎখায়য়ো হাঙোকও*
*থবাক্তা শীংজংনা য়ানখাইও*
*অশোকপদা থুম চাইশিল্লো।*

*অনৌবা য়েনিং হুল্লে।*









পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।